ꯍꯨꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯖꯅꯨꯋꯥꯔꯤ ꯰꯶, ꯲꯰꯲꯴, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯷ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯷꯶ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, জন্যুৱারী ০৬, ২০২৩, ইম্ফাল
৪৭শুবা চহী, ২৭৬শুবা মশীং

# হৌবা নুমিৎতা অরোইবা অমা

**ৱাইরু-ৱাইরুবদা**

অনৌবা চহী হৌবা নুমিৎনি। নিংথেমজাউ মাগী পাল্লিবা মখোঙ অনীদু মায় ওনশিন্নবা য়ানদবসিমঙায় য়েৎনা অমরোমদা থাংই, ওইনা অমরোমদা থাংই। মানা ময়ূমদা হেক থুংলবগা য়ু থিংবা থোকখিবী মাগী নুপী লৈবাক্লৈনা মাঙ্গোল কাখৎলপগা অদুম তুংথ-মাঙথনি। নোংয়াই মতম ওইরম্লগনি। লৈবাক্লৈনা শোন্থাংননা হায়জে,

"মশকসে উবদা তীল হৌইহে তৌরিসে, নুপানিকাইদনা তুকপু তুক্কচৈ!"

নিংথেমজাউনা লেপ্পা নাইদনা শমথরক্কদবা ময়ামদু খল্লুরগা ঙাওনীংবা শক্লীংবা কোঙ্গায় অমা লৈরবসু লৈবাক্লৈনা শোন্থাংনরগা তোক্লে। থক্কনু হায়বসিদা য়াখিদ্রবনি করিবু কান্নরিবনো খঙদে হায়না মচিন্দা শোল্লি। নিংথেমজাউ লৈয়েং ইফাই ফাইরদুনা হায়রকই,

"কনানো, মুরুম-মুরুম শোল্লিবদো, মমারা?"

"উম, মানি। ঙসিনা অরোইবনি।"

লৈবাক্লৈনা ঙসাইনা চাকউপ্পা কূপ্লগা থনম্বা চজীক ওল্লবা চাক অদু শম্মুক্তগী থাংথবিরগা নিংথেমজাউদা পীজৈ। চাক্তু চারিবনি হায়দুনা মমায় মমীৎ খঙদনা নন্নি। মচাশিং লোইনা পাখং-লৈশা ফারবনি। মশক্তু য়েংল-য়েংলগা লৈবাক্লৈনা মমীৎ মমায় শুক শুক্লগা য়েংলগা লৈরে। তাঞ্জা অদুদা অমুক্কসু হায়রকই,

"লৈবাক্লৈ এঞ্জাং খূৎহাউ অমনি।"

তশেংনা নিংথেমজাউনা মহাউ খঙনা হায়রিবজৎলা লৈবাক্লৈ নোকপু নোক্লীংলকই, হাউইকা হায়রকপদুদি। মানা চারিবা এঞ্জাং অদুবু করিনো মরৈদুনা মহাউ খঙবু খঙলিবজাৎলা হংনীংই অদুবু লৈবাক্লৈনা হংদে। লৈবাক্লৈনা মখা তারদুনা হায়রকই,



"হাউবু হাউব্রনে?"

"হাউই নহানখৈগা ইমান মান্নদে নঙ চাক এঞ্জাং থোংবা য়াম্না হৈরে। তূমজরুরো-তূমজরুরো, নহাক ঐবু শেন্নবদা য়াম্না ৱারম্লগনি।"

মানা হায়রিবা ময়ামসে মরোল মরী ফাইদবা নুমিৎ অমদা হায়বিবা ওইরম্লবদি লৈবাক্লৈনা মথম্মোয়দো হেক পেল্লমগদবনি। মাবু চাক্তুবু চখোম অমত্তংদা ওইরসু ফজনা হুকখিবরা-হুকখিদবরা মমীৎমক্লা শেংনা উহৌদে অদুবু হাউইদি তাকপীরে।

লৈবাক্লৈ ৱা ইঙাঙ-ঙাঙলমদনা হোয়দং হায়রম্লগা ফমুং চঙখি। নিংথেমজাউগী মফমদা মানা ইয়া-য়ানীংদবা অমা ইরৈ লৈরি। লৈবাক্লৈ করিদবু থৱায় নুংঙাইদৌরিনো মাগী মথংলেন নিংথেমজাউনা লায়না অমসু নাবা নত্তনা মরোল মরী ইফাও-ফাওনবা য়াদবা শোয়নাইবা অমগুম্না য়ু খরা থক্লগা ঙাওদুনা লৈথোকখিবা হায়বসে। মসিদগী হেন্না মানা নীংবা কায়বা করি লৈরমদৌরিনো?

চাকশঙদা লৈহৌরিবা নিংথেমজাউনা মরোল মরী ইফাই-ফাইনা হায়রকই,

"মাসু য়ু থিংবগী লৈবাক্কী থবক অমা তৌরিবনিনা মাগীসু ঈজৎ মচা অমা ঐনা ঙাক্তবা য়ারিব্রা? তূম্নিংলম্মনি মহাক ঐখোয়গুম্বা ময়াম অমা শেন্নবদা। ফরে মাসু মানা থোকপনি ঐসু ঐনা থোকপনি শাউরুবা য়ারিব্রা? মতম খরদং হিংমিন্নবা পূন্সিসিদা শাউনদনা হিংমিন্নরগা লোইরে।"

নিংথেমজাউনা হায়রিবশিংদু লৈবাক্লৈনা ফমুংদগী তারম্বা য়াই, তারমদবা য়াই অদুবু নিংথেমজাউ ঙসিদি ৱাখল য়াম্না তারে হায়রি। নিংথেমজাউ কুইহৌদে চাকখুম্মাঙ অদুদা পুখমদা মোন খাঙলগা খ্রো-খ্রো নাখোল্লুগা তূমথখ্রে। চহী হৌবা নুমিৎকী অরোইবা খূৎথক ওইনা। ●

# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ শিলোৎ শৌগ্রী # ৪২৩

— ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার —
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ

ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদা শৌগ্রী পাম্বী মখল অনী ফংই। মখোয় অদুদি ময়াম্না এঞ্জাং থোংদুনা চানরিবা শৌগ্রী অদুগা অতোপ্পা অদুনা শিলোৎ-শৌগ্রী অসিনি। শিলোৎ-শৌগ্রী অসি কনাগুম্বনসু শৌগ্রী অঙাংবা হায়না অদুমক কৌনৈ। শিলোৎ-শৌগ্রী অসি অহাওবা এঞ্জাং অমা ওইনা অমদি অতোপ্পা চানবা পোখোকশিং ওইনা চানরবসু পাম্বী অসিদা য়াওবা হীদাক্কী ওইবা মগুণশিং অসিদি শীংথানীংঙাই ওই।



শিলোৎ-শৌগ্রী পাম্বী অসি হিন্দিদা লাল অম্বারি (Lal Ambari), তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা সোরেল (Sorrel) নৎত্রগা কুইন্সলেন্দ জেলী (Queensland jelly plant), জেলী ওক্রা (Jelly Okra), লেমন বুস (Lemon bush), ফ্লোরিদা ক্রেনবেরী (Florida cranberry), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা হীবিসকস সাবদারিফা (Hibiscus sabdariffa L.) হায়না কৌই অমসুং মালভেসী (Malvaceae) শাগৈগী মনুং চল্লি। শাগৈ অসিদা চনবা অতোপ্পা মরু ওইবা পাম্বী খরদি শৌগ্রী পাম্বী (Hibiscus cannabinus L.), জুবাকুশুম (Hibiscus rosa-sinensis L.), উহন পাম্বী (Sida rhombifolia L.) অসিনচিংবনি।

শিলোৎ-শৌগ্রী পাম্বী অসি ভেরাইটি অনী লৈ। মখোয় অদুদি Hibiscus sabdariffa var. Sabdariffa অদুগা অতোপ্পা অদুনা Hibiscus sabdariffa var. altissima নি।

শিলোৎ-শৌগ্রী পাম্বী অসি এসিয়া মহাদেশ মরু ওইনা ইন্দিয়া অমসুং মলেসিয়া লমদমশিংদগী হৌরকখিবনি হায়না থাজনৈ। পাম্বী অসি ত্রোপিকেলগী ওইবা অশাবা লমদমশিং মরু ওইনা কেরিবিয়ন, সেন্ত্রেল অমেরিকা, অফ্রিকা, ব্রাজিল, ওষ্ট্রেলিয়া, হৱায় ঈথৎশিং, ফ্লোরিদা অমসুং ফিলিপিন্সকী মফমশিংদা অদুমক মরাং কায়না হৌবগী পাউদমশিং লৈ। পাউদম অমগী মতুংইন্না সুদানগী লমদমদদি শিলোৎ-শৌগ্রী অসি মিলেটকী হেক মথংদা খ্বাইদগী পাক শন্না থাবা পাম্বীনি।

শিলোৎ-শৌগ্রীগী ভেরাইটি Sabdariffa অসিদি খরা নেম্লপ তৌই অমসুং মসা-মরেং য়াম্না লোংঙি। লোয়ননা লৈগী শরুকশিং অদু চাবদা মহাউ য়াম্না লৈ। অদুবু ভেরাইটি altissima দি খরা হেন্না ৱাংঙি অমসুং মসা-মরেং ইরোং লোংদে অমসুং মহাউ অদু খরা হন্থে। হায়রিবা altissima ভেরাইটি অসিদি মখোক্কী মকু অদু লীমোনগুম্না ফাইবর হায়বদি লং লৌনবগীদমক্তা থানৈ। ইন্দিয়াগী মনুংদা শিলোৎ-শৌগ্রী পাম্বী মরাং কায়না থানবা মফমশিংদি পঞ্জাব, উত্তর প্রদেশ, অন্ধ্র প্রদেশ, অসাম, বিহার, মধ্য প্রদেশ, মহারাষ্ট্র, ওরিয়া অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গলনি।

বিজ্ঞাননা থিজিনবদগী ফংলকপা পাউদমগী মতুংইন্না শিলোৎ-শৌগ্রীগী লৈগী কেলিক্স অদুদা য়াওবা মরু ওইবা মচলশিং অদুদি - সাইত্রিক এসিদ চাদা ৩.৭, পেক্তিন চাদা ৩.২, ক্রুদ প্রোতিন চাদা ১.৬ অসিগী মথক্তা পোটাসিয়ম, সোদিয়ম, মেগনেসিয়ম, মেঙ্গানিজ, এলুমিনিয়ম, ম্যুসিলেজ, কেলসিয়ম, এস্কোবিক এসিদ অসিনি।

শিলোৎ-শৌগ্রী অসি মীওইবনা হীরম কয়ামরুমদা শীজিন্নৈ। হীদাক ওইনা পাম্বী অসি ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদদি লৈগী লৈনা (Corella) অদু কংহল্লগা ঈশিংদা লোন্দুনা লৌবা মহী অদু চাবা তুমদবা অমদি পুক নুংশিৎ কাবা অসিদা হীদাক ওইনা শীজিন্নৈ। হায়রিবা অশেম্বা মহী অদু চাং নাইনা পীথকপদা মীওইবগী ব্লদ প্রেসর ৱাংবা অদু মপূং ফানা হন্থহনবা ঙম্মী হায়দুনা শীজিন্নৈ। মসিগী মথক্তা লোক থুংবা অমসুং মলেরিয়ানা ওইহনবা অরুম-লাইহৌ তৌবদসু ফহনবা ঙম্মী হায়বগী পাউদমশিং লৈ। কনাগুম্বা মীওই অমনা চাবা-থকপদা হূ (Poison) য়াওখ্রবা অমদি ফূদ পোইজনিং (Food poisoning) থোক্লবদি খুদক্তা শিলোৎ-শৌগ্রী পাম্বীগী মনা অদু শুগাইরগা লৌবা মহী অদু গ্লাস অনীগুম্বদং খুদক্তা পীথকপদা হূ অদুগী ময়াই অদু য়াম্না থুনা চমহনবা ঙমহল্লি হায়বগী পাউদম লৈ।

অতোপ্পা পাউদম অমগী মতুংইন্না য়ু য়াম্না থকপা মী হায়বদি য়ুদা লাইচুরবা মীওইশিংদা শিলোৎ-শৌগ্রীগী কেলিক্স অদু ঈশিংদা ফুত্তুনা লৌবা মহী অদু চাং নাইনা পীথকপদা য়ুনা থোকহনবা অমাঙ-অতা কয়ামরুমদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী হায়বসিনি। কেরিবিয়ানগী লমদমশিংদদি শিলোৎ-শৌগ্রীগী কেলিক্স অদু ঈশিংদা চা ওইনা লোন্দুনা খৃষ্টমাসকী মতমদা অতিথিশিংদা পীথক্লবগী পাউদমশিং লৈ। শিলোৎ-শৌগ্রীদগী শেম্বা মহী অদু দাইবেটিস হায়বদি ঈশিং পুকচৎপা, অমাঙবা য়ৈখৎতুনা খোঙ হামদোকপা ঙমদবা, থম্মোয়গী লায়নাশিং, ঈগী শীংলি-নাওরি মপাঙ্গল শোন্থবা, থীবোং-থীরিলগী লায়নাশিং, থোপকী মপাঙ্গল শোন্থবা অমদি ঈগী খোঙজেল চাং নাইদবা অসিদা থোইদোক্লা কানহল্লি। মীওইবগী কাউজন থীবা অসিদসু শিলোৎ-শৌগ্রী অসিদা য়াম্না কানহনবগী পাউদমসু লৈ। য়াম্না পাখৎকনবা অমদি থুকৎকনবা মীওইশিংনা শিলোৎ-শৌগ্রীগী চা অদু চাং নাইনা থকপদা অফবা ফল ফংবা ঙমহল্লি।

ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদদি শিলোৎ-শৌগ্রী অসিগী মনা অদু অহাওবা এঞ্জাং অমা ওইনা খুদক্তা হেক্লগা থোংদুনা চানবগী মথক্তা মনা অদু ফজনা কংহল্লগা লীদুনা থল্লগা অদুমক চহী চূপ্পা শীজিন্নৈ। লৈগী কেলিক্স অদুনা অমুক্তা হেন্না মহাউ লৈ। কেলিক্স অকংবা অদু ঈশিংদা লোন্দুনা শেম্বা মহী অদু পীথক্তুনা চাবা তুমদবা অদু ফহনবা ঙম্মী। ইন্দিয়াগী মফম খরদদি শিলোৎ-শৌগ্রীগী কেলিক্স অদু জাম নৎত্রগা জেল্লী শাবদা পাম্না শীজিন্নৈ। চান-থক্লবা পোৎলমশিংগী মচু শঙবদা শিলোৎ-শৌগ্রীদগী লৌবা মচু অসি পাম্না শীজিন্নৈ অমসুং দিমান্দ য়াম্না লৈ। শিলোৎ-শৌগ্রীগী মরূ অদু কূপ্না তকখায়রগা কোফীগুম্নালোন্দুনা থক্লবদি নুপী-নুপাগী ফম্বী ফগৎহনবা ঙম্মী হায়বগী পাউদমসু লৈ। অদুবু পাম্বী অসি নোংমদা মীওই অমনা মশাগী অরূম্বা কেজি খুদিংগী অশেম্বা মহী মিলিগ্রাম ১৮০দগী হেল্লোইদবনি। ●

# মীতৈগী পুয়া 'নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা' (নিংথৌরোল লম্বুবা) - (৫৬)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্কী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা
লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু
নুমিৎ খুদিংগী লমাই অসিদা ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

মতোল য়াওবা চীঙজিন লৈ। চোল চোননা লৈনা লৈচিন থাংমিননরুসে। য়েলবী শারোই হুলবসু হুলমিননসে। হায়না লেমলৈ ঙাচানখিবা ঙাচা পুঙলেলনে। হুয়েল লালদাঙৈদেদি। লৈমা থীনবীময়াইকি। অখোং হাওমলনু লাকচাথীনা লালঙমবী। শেললোই লংমাই নিংথৌচনু। মৈতে লৈমা খুমসুরোল চীঙয়াইসু সনা পীবুকনুংদগী। চাদা নাওদারমবদি।

**মৈদিংঙু খোঙতেকচা (য়োইরেলবা)**

নবুথৌ মৈদিংঙু খোঙতেকচা য়োইরেলবা ও মিংথোল মিংকৌয়ে। মৈদিংঙু খোঙতেকচা য়োইরেলবদি। মাইকৈ অৱাং লাইনা পাংবা লমদমদা। অৱাং লাংচা লৌপুঙফৈ পুঙফৈ লমদম লমনুংশিদা লালদা খৌশাবনে। লমলেল লাংচা লৌপঙফৈ পুঙফৈ লমদম লমনুংশি ও মিংথোল মিংকৌবদি। করি তৌখিবা নুমিৎতগীনো। কমপোং নুখুবীগা। থাঙঙা নুহলবীগা অনিনা। অয়ুক চাকলেল চাকচানা। খানলৈ লৌলেল অচৌবদা লৌশুরময়ে। অদু নুমিৎতগী। লাংচা লৌপুঙফৈ। পুঙফৈ লমদম লমনুংশি ও। মিংথোল মিংকৌয়ে। লাংচা লৌপুংফৈ। কারোংখম হুইয়াই লমলোঙতাক। খুনচাল অয়াঙ হাওবা চানা। লাংচা পুঙফৈ তোংনা। তানা য়ুমলিং য়ুমদাবা। শললাল অচলবা ও মিংকৌবদি। ●

# ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ' (ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ) -(꯵꯶)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯃꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅ
ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯕ ꯏꯊꯣꯛꯄ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯇꯁꯨ
ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯂꯃꯥꯏ ꯑꯁꯤꯗ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅ ꯐꯣꯡꯖꯔꯒꯅꯤ꯫)

ꯃꯇꯣꯜ ꯌꯥꯎꯕ ꯆꯤꯡꯖꯤꯟ ꯂꯩ꯫ ꯆꯣꯜ ꯆꯣꯟꯅ ꯂꯩꯅ ꯂꯩꯆꯤꯟ ꯊꯥꯡꯃꯤꯟꯅꯔꯨꯁꯦ꯫ ꯌꯦꯜꯕꯤ ꯁꯥꯔꯣꯏ ꯍꯨꯜꯕꯁꯨ ꯍꯨꯜꯃꯤꯟꯅꯁꯦ꯫ ꯍꯥꯌꯅ ꯂꯦꯝꯂꯩ ꯉꯥꯆꯥꯟꯈꯤꯕ ꯉꯥꯆꯥ ꯄꯨꯡꯂꯦꯂꯅꯦ꯫ ꯍꯨꯌꯦꯜ ꯂꯥꯜꯗꯥꯉꯩꯗꯦꯗꯤ꯫ ꯂꯩꯃꯥ ꯊꯤꯅꯕꯤꯃꯌꯥꯏꯀꯤ꯫ ꯑꯈꯣꯡ ꯍꯥꯎꯃꯂꯅꯨ ꯂꯥꯛꯆꯥꯊꯤꯅꯥ ꯂꯥꯜꯉꯃꯕꯤ꯫ ꯁꯦꯂꯂꯣꯏ ꯂꯪꯃꯥꯏ ꯅꯤꯡꯊꯧꯆꯅꯨ꯫ ꯃꯩꯇꯦ ꯂꯩꯃꯥ ꯈꯨꯝꯁꯨꯔꯣꯜ ꯆꯤꯡꯉꯥꯏꯁꯨ ꯁꯅꯥ ꯄꯤꯕꯨꯛꯅꯨꯡꯗꯒꯤ꯫ ꯆꯥꯗꯥ ꯅꯥꯎꯗꯥꯔꯝꯕꯗꯤ꯫

ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨ ꯈꯣꯡꯉꯇꯦꯛꯆꯥ (ꯌꯣꯏꯔꯦꯜꯕ)

ꯅꯕꯨꯊꯧ ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨ ꯈꯣꯡꯉꯇꯦꯛꯆꯥ ꯌꯣꯏꯔꯦꯜꯕ ꯑꯣ ꯃꯤꯡꯊꯣꯜ ꯃꯤꯡꯀꯧꯌꯦ꯫ ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨ ꯈꯣꯡꯉꯇꯦꯛꯆꯥ ꯌꯣꯏꯔꯦꯜꯕꯗꯤ꯫ ꯃꯥꯏꯀꯩ ꯑꯋꯥꯡ ꯂꯥꯏꯅꯥ ꯄꯥꯡꯕ ꯂꯝꯗꯃꯗꯥ꯫ ꯑꯋꯥꯡ ꯂꯥꯡꯆꯥ ꯂꯧꯄꯨꯡꯐꯩ ꯄꯨꯡꯐꯩ ꯂꯝꯗꯝ ꯂꯝꯅꯨꯡꯁꯤꯗꯥ ꯂꯥꯜꯗꯥ ꯈꯧꯁꯥꯕꯅꯦ꯫ ꯂꯝꯂꯦꯜ ꯂꯥꯡꯆꯥ ꯂꯧꯄꯉꯐꯩ ꯄꯨꯡꯐꯩ ꯂꯝꯗꯝ ꯂꯝꯅꯨꯡꯁꯤ ꯑꯣ ꯃꯤꯡꯊꯣꯜ ꯃꯤꯡꯀꯧꯕꯗꯤ꯫ ꯀꯔꯤ ꯇꯧꯈꯤꯕ ꯅꯨꯃꯤꯠꯇꯒꯤꯅꯣ꯫ ꯀꯝꯄꯣꯡ ꯅꯨꯈꯨꯕꯤꯒꯥ꯫ ꯊꯥꯡꯉꯥ ꯅꯨꯍꯂꯕꯤꯒꯥ ꯑꯅꯤꯅꯥ꯫ ꯑꯌꯨꯛ ꯆꯥꯛꯂꯦꯜ ꯆꯥꯛꯆꯥꯅꯥ꯫ ꯈꯥꯟꯂꯩ ꯂꯧꯂꯦꯜ ꯑꯆꯧꯕꯗꯥ ꯂꯧꯁꯨꯔꯃꯌꯦ꯫ ꯑꯗꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠꯇꯒꯤ꯫ ꯂꯥꯡꯆꯥ ꯂꯧꯄꯨꯡꯐꯩ꯫ ꯄꯨꯡꯐꯩ ꯂꯝꯗꯝ ꯂꯝꯅꯨꯡꯁꯤ ꯑꯣ꯫ ꯃꯤꯡꯊꯣꯜ ꯃꯤꯡꯀꯧꯌꯦ꯫ ꯂꯥꯡꯆꯥ ꯂꯧꯄꯨꯡꯐꯩ꯫ ꯀꯥꯔꯣꯡꯈꯝ ꯍꯨꯏꯌꯥꯏ ꯂꯝꯂꯣꯡꯇꯥꯛ꯫ ꯈꯨꯟꯆꯥꯜ ꯑꯌꯥꯡ ꯍꯥꯎꯕ ꯆꯥꯅꯥ꯫ ꯂꯥꯡꯆꯥ ꯄꯨꯡꯐꯩ ꯇꯣꯡꯅꯥ꯫ ꯇꯥꯅꯥ ꯌꯨꯝꯂꯤꯡ ꯌꯨꯝꯗꯥꯕꯥ꯫ ꯁꯂꯂꯥꯜ ꯑꯆꯂꯕ ꯑꯣ ꯃꯤꯡꯀꯧꯕꯗꯤ꯫ ●